# মোদর্ন স্পোর্টস এন্দ স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি

- লৈশাংথেম অজিৎ -

মালেমগী লৈবাকশিংদা লৈরিবা ফুরুপশিংগী মশা মশাগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিং লৈজৈ। মশান্নশিং অসিগী মনুংদা মশান্না খরদি মালেম পুম্বা শিনবা থুংনা শান্নরি অমদি মখোয় অসিবু মালেমগী থাক্তা অথোয় অহেন তান্নহল্লি, ওলিম্পিক গেমসকী খনগৎলবা মশান্নশিংগী মনুংদা য়াওহল্লি। মশান্না খরদি অপিকপা ফুরুপ অমদগী হেন্দোক্লা শান্নহনবা ঙমদবসু লৈ, ময়াম অসিগী মরক্তা তপ্না তপ্না মাঙখিবা মশান্নসু য়াওরি।

মপাঙ্গল মথৌনা মরৌশিং লৈবা বৃটিশনা ফুটবোল, ক্রিকেট, হোকি অমসুং টেনিসনচিংবা মশান্নশিং মখোয়গী মখা পোনবা লোয়লমশিংদা পুশিল্লক্তুনা মশান্নশিং অসি মালেম শিনবা থুংনা শান্নরি। লৈবাক অসিগী লান্মী, ওফিসরশিংনা মণিপুরগী শগোল কাংজৈ মালেমগী মফম শিনবা থুংনা শন্দোকপীরি। মখোয়না থৱায় তাহৌদবা কাঙ মশান্নদি ইম্ফালগী তম্পাক মণিপুর মচাশিংনা খুন্দারিবা অসামগী মফম খরদগী হেন্না শন্দোকপা ঙমদে।

মালেম অসিদা হৌজিক মশান্না ৮০০০ হেন্না লৈ হায়না রেকোর্দ লাইরিকশিংদা ইরি। ইংলিস ময়েক (অলফাবেট) খুদিংমক্লা মকোক্তা হৌবা মশান্নশিং লৈ হায়বা য়াই। A না হৌবদা Athletics, Archery অমসুং Air Sports নচিংবা মশান্না কয়ামুক লৈবগুম্না মথং-মথং Z না হৌবা Zhorga Zhoy অমসুং Zhamby Atu কৌবা মশান্না লৈরি। মসিগী মনুংদা পোলো য়াওরে। তৌইগুম্বসুং মশান্না কয়ামুক হাপচিনগদবা ৱাৎলিবশিংগী মনুংদা মণিপুরগী কাঙ শান্নবা, মুক্না-কাংজৈ, মরুম কোনবী, কৈয়েন শান্নবা, মচিন মনাও শান্নবনচিংবা বোর্দ গেমশিংদি য়াওদ্রি। অসুম্না মালেমগী চাওখৎপগী লমজেল তান্নবদা য়াওবা ঙমদ্রিবা লৈবাকশিংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা ফুরুপশিংগী মশান্নশিংগী মমিং মপূং ফানা হাপচিনবা ঙমদ্রি।

মশান্নশিং অসিগী মনুংদা নুংশিত্তা হায়বদি মালংদা/অহাঙবদা শান্নবা স্কাই দাইভিং অমসুং পেরাজমপিংনচিংবা য়াওরি। ইরোইবা, হিহোনবা, মোটোর বোট লমজেল অমদি কেনোয়িংনচিংবা ঈশিংগী মশান্নশিংসু মনুং চল্লি। কংফালদা শান্নরিবা মখল মখা অয়াম্বা টিম গেমশিং, নাইতোম ওইনা লম্বা অমমমদা তৌনবশিং অমদি উন মথক্তা শান্নবগী থৌরম স্কিঙ, বোবস্লেজ, আইস দানস অমসুং আইস হোকিনচিংবসু য়াওরি। বোর্দ মথক্তগা শান্নবা ছত্রং, বিলিয়ার্দ, কেরোম অমদি চাইনিজ চেক্করনচিংবসু মীয়াম্না পাম্না শান্নরিবা মশান্নশিংনি।

কম্বেট স্পোর্টস রেষ্টলিং অমসুং মার্সিয়েল আর্টশিংদা মশান্না ৫৪ হেন্না লৈ। মসিগী মনুংদা ৩১দি হকচাং পায়নরগা নম্নবা জুদো অমসুং রেষ্টলিংনচিংবসিনি। অতোপ্পা ২৩ অমনা বোক্সিং, করাটে, টাইক্বান্দোনচিংবা কিন্না থিন্নবা অমদি খোঙনা কাওনবা মশান্নশিংনি। ৱুশু অমদি ফেন্সিং, খূৎলায় পায়রগা শান্নবদা অথোয় অহেন তান্নবগী থৌরমশিংনি।

বেদমিন্টন, টেনিস, স্কৱাস অহুম অসি রেকেট স্পোর্টসকী মনুং চল্লি অমদি পোলোগী কাঙলূপ্তা হোর্জ পোলো, এলিফেন্ট, এলিফেন্ট পোলো, কেমেল পোলো অমসুং সাইকল পোলোনচিংবসু লৈরি।

মশান্নশিং অসিগী মশা মশাগী ওইবা লূপ তোঙান-তোঙান্না মালেমগী থাক্তা শেম্মী। ফুটবোলগী ওইনা ফেদরেসন ইন্টরনেসনল দি ফুটবোল এসোসিএসন (ফিফা) হায়না শেমদুনা মালেমদা মশান্না অসিগী মপূং ওইদুনা মশান্না অসিবু অশিন অরাং তৌরি অমদি মশান্না অসিবু চাওখৎনবা হোৎনরি। ফেদরেসন অসিদা মালেমদা লৈবা লৈবাক ২০৫ হেনবগী নেসনল ফুটবোল ফেদরেসনশিং এফিলিয়েট তৌরি। অতে মশান্নশিং হায়বদি হোকি, ক্রিকেট, বাস্কেটবোলনচিংবা মশান্না খুদিংমক্কীসু লৈরি। তোঙান তোঙানবা মশান্নশিং অসিগী কন্টিনেন্টেল ওইবা হায়বদি এলিয়ন, য়ুরোপিয়ন, পান অমেরিকান, অফ্রিকান অমসুং ওসিনিয়াগী চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকই। মসিগী মথক্তা মালেমগী ওইনা অথোয় অহেন তান্নহন্দুনা ৱর্ল্ড ফুটবোল কপ অমসুং ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেটনচিংবা পাঙথোকই।

মশান্নশিং অসিগী মনুংদা মালেমগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নবা য়েংনরিবদি ফুটবোলনি। মশান্না অসিদা মীওই বিল্লিয়ন ৩.৫ রোম য়েংই। ফুটবোলগী মথং তারকপদা মথং মনাও ওইনা (১) ফুটবোল (২) ক্রিকেট (৩) হোকি (ফিল্ড + আইস হোকি) (৪) বাস্কেটবোল (৫) টেনিস (৬) ভোল্লিবোল (৭) টেবল টেনিস (৮) বেজবোল (৯) রগবি, অমেরিকান ফুটবোল অমসুং (১০) গোলফনি। পীরিবা মশান্নশিং অসি মীওই মশীং য়াম্না য়েংজরবসু মশান্না খরদি লৈবাক খজিক্তদা শান্নে, মহাদেশ খুদিংমক্তা মপূং ফানা শন্দোকপা ঙমদে। মরম অসিনা রগবি, অমেরিকান ফুটবোল, ক্রিকেট ওলিম্পিক্কী মশান্না ওইবা ঙমদে।

মালেমদা শান্ন-খোৎনবনা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী অমসুং মরুপ মপাং ওইনা চেৎশিন্নবগী অমসুং শান্তি হেনগৎনবগী চাং অসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপগী অচৌবা শক্তম অমা লৌরি। ধর্ম্মগী খেন্নবা লৈতনা কুচু মুবা, কুচু ঙৌবা খায়দনা লায়রবা ইনাক খুনবা অমত্তা ওইনা শান্নবুংদা পুকচেল অমত্তা ওইনা কাঙলোনশিংবু ইকায় খুম্নना শান্নবদা লম্বা তৌনরি। শান্নরোয়শিং অসি থৌনা ফৈ, পুকচেল শেংই, হায়বা ইল্লি, মপুকচেল চাউই, মরৈবাক নীংই, মশা ফৈ, অফবা ৱাখল খল্লি। মরম অদুনা মখোয়বু অফবা সিটিজননি হায়না লৌনরি। অসিগুম্বা শান্নরোয়শিং মশীং য়াম্না লৈবা লৈবাক অদু চাওখৎলি, আইন খঙনা থবক তৌই, মরা চেৎনা ঈংনা তপ্না লৈ।

মতম অসিদা মীয়াম্না পাম্নবা মশান্নশিং অসি অয়াম্বনা প্রোফেসনেল ওইবা মরম্না শান্নরোয়শিং অসি শেল য়াম্না ফংলে। মরম অদুনা শান্নরোয় অমসুং কোচ খক্তমক টিম অমদা দরকার লৈরকত্রে। টিমশিংবু নৎত্রগা শান্নরোয় অমবু মালেমগী থাক্তা মায় পাক্নবা হোৎনবদা মীওই কয়ামুক শীজিন্নরি। মখোয় অদুদি মেনেজর, কোচ, ত্রেনর, ত্রেনিং ষ্টাফ, কোচ, ডোক্তর অমদি মেদিকেল ষ্টাফ, সাইকোলোজিষ্ট, মেথোদোলোজিষ্ট, পব্লিক রিলেসন ওফিসর, এদভরটাইজিং এপোইন্টনচিংবা তোলোপ লুপা কয়ামরুম পীদুনা শীজিন্নরি। মসিগী মথক্তা রেদিওদা, টি ভিদা মশান্না কয়াগী রিপোর্ট পীরিবা অমদি মীৎনা উবা পাউদম পীরিবশিং অমদি শান্নবগী মরমদা পাউচেদা পাউ হাপ্পিবা, মেগাজিন্দা ইরিবা মী লিশীং লিশীংদা লৈরি। হায়রিবা মীওইশিং অসি মশান্না খুদিংমক্কী রিপোর্ট ইদে, আর্টিকল ইদে, মশানা পামজবা, হৈনজবা স্পোর্টস অমা/অনীখক্তমক্কী ওইনা পাউদম পী, ক্রিকেটকী অইবা অমনা ফুটবোলগী মরমদা ইরুবগী মথৌ তাদে। মতৌ অসুম্না শান্নবনা মীওই কয়ামুকপু থবক পীবা ঙম্লে, অদুনা মীওই লিশীং অসি অৱাংবা থাক্কী এদ্যুকেসন পীবা মথৌ তাই।

শান্ন-খোৎনবগী হীরমদা কোলেজশিংদা তোঙানবা সবজেক্ট ওইনা তম্নরম্মী। মদুদি অয়াম্বনা ফিজিকেল এদ্যুকেসননি। স্পোর্টস অসি ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী শরুক অমা ওইনা তম্নরম্মী। মতমগী মতুংইন্না শান্নবগী থাক ৱাংখৎলক্তুনা স্পোর্টসকী মরমদা হেন্না হকচিন্না লৌনরক্তুনা হীরম অসিদা হেন্না কুপথনা নৈনবা স্পোর্টস কোলেজশিং লিংখৎপা হৌনরকপগা লোয়ননা অচৌবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা স্পোর্টসকী অচৌবা দিপার্টমেন্ট হাংনরি অমদি তোঙান্না স্পোর্টসকী য়ুনিভর্সিটিসু হাংবগী ঈহৌ অমসু তপ্না তপ্না লাকখি।

য়ুরোপ অমদি অৱাং অমেরিকাদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মশীং য়াম্না লৈতে। অদুবু মহাদেশ অনী অসিদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিশিংগী স্পোর্টস দিপার্টমেন্টশিং অদু মশক নাইবা অৱাংবা থাক্কী শান্ন-খোৎনবগী মরমদা মহৈ তম্বীবা খক্তা নত্তনা ওলিম্পিক অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন কয়ামুক পুথোকপা ঙম্লি।

স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপগী পান্দমদি স্পোর্টস অমদি মসিগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা গ্রেজুয়েট, মাষ্টর দিগ্রী, এম ফিল অমসুং পি ঐচ দি দিগ্রী পীবনি। দিগ্রী পায়বশিং অদুনা মথক্তা পনখিবগুম্না প্রোফেসন, লেকচরর, কোচ, ফিজিওথেরাপিষ্ট, মেনেজর, স্পোর্টস রাইটর, স্পোর্টস জর্নেলিজম, স্পোর্টস মেদিসিন এক্সপার্ট, স্পোর্টস টেক্নোলোজিষ্ট, স্পোর্টস মেথোদোলোজিষ্ট, স্পোর্টস মার্কেটিং মেনেজর ওইবা য়াই।

স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি হায়রগা ঐখোয়না শান্ন-খোৎনবগী হীরমশিং হায়বদি ফুটবোল, হোকি, এথলেটিক্স অমসুং ইরোইবনচিংবা খক্তা অসিগী মরমদা তম্বীবা, দিগ্রী, মাষ্টর দিগ্রী পীবা, এম ফিল অমদি পি ঐচ দি দিগ্রী পীবগী থবকনি হায়না লৌনৈ। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা য়ুনিভর্সিটিশিং অসিদা তাকপী তম্বীরিবশিং অসিদি স্পোর্টসকা মরী লৈনরিবা হীরমশিংদা মমুৎ তানা নৈনরগা করম্না শেন্দান লন্বী ফংহনগনি হায়বনি। মসি স্পোর্টসপু বিজিনেস অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ ওন্থোক্লবা মচাক অমনি।

মালেম অসিদা খ্বাইদগী ফবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিনি হায়না লৌনরিবা জর্ম্মনিগী কোলোন (Cologn) দা লৈবা জর্ম্মন স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, কুমজা ১৯৪৭তা কোলেজ ওইনা লিংখৎলগা কুমজা ১৯৬৫দা মপূং ফাবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইখিবা অসিদা B. A. in Sports Management and Sports Communication, B. A. in Sports outdoor Education and Movement হায়বা দিগ্রীশিং লৈ অমদি মখাগী হীরমশিং অসিদা মাষ্টর কোর্স লৈরি মদুদি M. Sc. in Sports Management, M. Sc. in Sports Technology, M.A. in Media Communication নচিংবনি। চহী অসিদগী Master in International Sports Development and Politics অমদি M. Sc. in Psychology in Sports and Exercise হাপচিনগনি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা Institute of Sports Journalism, Institute of Dance and Movement Culture নচিংবা লৈ।

Tamil Nadu Physical Education and Sports University অসি কুমজা ২০০৫দা লিংখৎতুনা ইন্দিয়াদা অহানবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ওইরি। মসি সেন্ত্রেলগী নত্তে, ষ্টেটকীনি। মসিদা মমিং লৈরবা ফিজিকেল কোলেজ ১২না এফিলিয়েট তৌই। মসিদা অতে য়ুনিভর্সিটিদগী থোইদোক হেন্দোকপা লৈতে, ইন্দিয়াগী ওইনা যোগগী তোঙানবা দিপার্টমেন্ট হাংদুনা হীরম অসিদা মাষ্টর ওফ আর্ট (এম এ) গী পী অমদি ডাক্তর ওফ ফিলোসোফিকী দিগ্রীসু পীবা ঙম্মী। মতৌ অসুম্না কোরিয়া নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিদা টাইক্বান্দোগী তোঙানবা দিপার্টমেন্ট অমা হাংই, হীরম অসিদা মখা তানা পি ঐচ দিগীদমক রিছার্স তৌবা য়াই। জপানগী নোপোন স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিদা মার্সিয়েল আর্টকী দিপার্টমেন্ট অমা হাংদুনা মাষ্টর দিগ্রী ফংহল্লি অমদি জুদো থেরাপি এন্দ মেদিকেল সাইন্সকী দিপার্টমেন্ট অমা হাংদুনা থিজিন খোৎচিনবগী থবকশিং চথুরি।

মালেমগী মনুংদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা অসি চাইনাননি। লৈবাক অসিগী স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ১৪ থমদুনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং হাংদোকই। মরম অদুনা কুমজা ১৯৮৪গী লোস এঞ্জেল ওলিম্পিক্তা চহী কয়াগী মতুংদা অহানবা ওইনা শরুক য়াবদা সনাগী ১৯, লুপাগী ৮ অমদি শেঞ্জেংগী মেদল ৯ ফংখি। মেদল টেল্লিদা মরিশুবদা লাকখি অমদি কুমজা ২০০৮গী বৈজিং ওলিম্পিক্তা লৈবাক অসিনা সনাগী ৫১, লুপাগী ২১ অমদি শেঞ্জেংগী মেদল ২৮ ফংদুনা মেদল টেল্লিদা মকোক ওইখি। অনীশুবদা লাকখিবা য়ু এস এনা সনাগী ৩৬, লুপাগী ৩৮ অমদি শেঞ্জেংগী ৩৬ ফংখি।

বৈজিংগী স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিদা চাইনাগী মার্সিয়েল আর্টশিংগী হায়বদি Taichi, Wusu, Fung Fu, Qigong, Sanshov, Shaolin, Kung Fu, Wadang নচিংবগী তোঙানবা কোর্সশিং হাংদুনা মীরৈবাক্তগী লাকপশিংসু তমহল্লি। মালেমগী স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিশিং অসিদা জগোয়গী দিপার্টমেন্ট হাংদুনা মাষ্টর দিগ্রী পী। মসিদা জগোয় তম্বীবগী মওং, জগোয়গী তান থাবা তম্বীবা, ফোক দান্স তম্বীবখক্তা নত্তনা নোংপোকলোমগী, নোংচুপলোমগী জগোয়গী শাথেকশিং কৃপ্না নৈনৈ। জগোয় শাবনা হকচাংদা কান্নবা পীবা, মসিনা ৱাখল নুংঙাইহনবা, মসিদা করম করম্বা মসলশিং শীজিন্নে হায়বা তম্বদা নত্তনা জগোয়গী ক্রিটিক অমা ওইবা ঙম্নবসু হোৎনহল্লি।

পূম্নমকশিং অসি য়েংলুরগা মণিপুরদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থমগদৌরিবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিগা নক্লনা কলচরেল য়ুনিভর্সিটিসু লিংখৎহৌরবদি হেন্না মায় পাকপা অফবা ওইগনি ●

# মণিপুরগী মাঙখ্রবা লিগেসি - মর্জর এগ্রীমেন্ট - ২

- ডা. টি ঐচ সুরেস -

(১২) Controvertial Merger Agreement কী finer point শিংদা অমুক লাকচরগে : মসি হৌজিক ফাওবা হোট টোপিক অমা ওইরবসু অইবনা in-depth analysis তৌদুনা finer point সি মখাগী অসুম্না পীজরি :

i) নৌনা খল্লবা Dewan general Amar Sing গা থবক তৌমিন্নবদু মহারাজদু সমস্যা কয়া অমা থেংনরম্মী, অদুনা মহাক্লা অসাম গভর্ণরগা মদু খন্নবা পাল্লম্মী। খন্ননবা গভর্ণরগী অয়াবা লৌরগা মহারাজনা ১৬/০৯/১৯৪৯দা শিলোংগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি। মরকসিদা, অসাম গভর্ণরনা মাগী এদভাইজর N. K. Rustomji গা লোয়ননা বোম্বেগী বিরলা হাওসতা নাদুনা লৈরিবা সর্দার পটেলগা উনরম্মী। মসি V. P. Menon, Advisor, State Ministry, New Delhi না হায়রকপদগীনি। সর্দারনা গভর্ণরদা লাক্কদৌরিবা নিংথৌগী খোঙচৎতা মর্জর এগ্রীমেন্ট অদু শোইদনমক সাইন তৌগদবনি, দরকার লৈরবদি ফোর্সসু শীজিন্নগদবনি হায়না খঙহল্লকখি। মহারাজ অদু মাগী P. S. Gourahari অমসুং ADC Ananda Mohon গা লোয়ননা শিলোংদা সেপ্টেম্বর ১৭তা থুংলম্মী। তাং ১৮ অমসুং ১৯দা অকনবা ৱারী-ৱাতাই কয়া শানরম্মী, অদুগা মহারাজনা মর্জর এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনবা কন্না তকশিল্লকপবু য়ারমদে। মহাক্লা গভর্ণরদা মহাক মণিপুর চৎলুখিগে, কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগা তানরগা অমুক মখা তানা ৱারী শানবা লাক্কে হায়না তক্লরম্মী। তাঞ্জা অমদদি মহাক্লা গভর্ণরগা উনসি হায়বা ফাওবা য়ারমদে।

ii) Turning Point অদুদি য়াম্না কন্নিং ওইবা বেঙ্গালি দাস গুপ্তা হায়বা, মণিপুরদা এস পি ওইরম্বা অদুগা শিলোংদা SP (CIID) ওইদুনা লৈরিবদুনা মহারাজগা তাং ১৯দা উনবদুনি। দাস গুপ্তনা নিংথৌদা পোইন্ট অনীখক হায়রম্মী a) Merger Agreement sign তৌদ্রবদি নিংথৌদু শিলোং থাদোকহল্লোই। b) করিগুম্বা সাইন তৌদ্রবদি doted line দা সাইন তৌগদবা অনৌবা ৱুল অমা হাপকনি। দাস গুপ্তা অদু দবল এজেন্ট ওইনা থবক তৌরিবনি। তাং ২০গী মীটিং অদুদদি মহারাজ দু য়াম্না শোম্ভবদৌনা তৌই অদুগা দ্রাফ্ট এগ্রীমেন্ট অদু য়েংগে হায়রম্মী। দাস গুপ্তগী মীটিংনে অদুগা গভর্ণরনা মশানা Rajbari Residence তা চৎতুনা মহারাজ উনবদুনা মরম ওইদুনা বোধচন্দ্রনা য়ু-টর্ন তৌদুনা তাং ২১দা মর্জর এগ্রীমেন্টতু খূৎয়েক পীরম্মী।

iii) মসিগী মমাঙদা রাজবারি এরিয়াগী সিক্যুরিটিদু জাট রেজিমেন্ট অমা থল্লম্বদগী অনী থমদুনা হেন্না কনখৎহল্লম্মী। তশেংবদি মণিপুরগী নিংথৌদু হাওস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লবনি। মসি শোইদ্রে হায়দুনা তাকপদি গভর্ণরনা সর্দার পটেলদা তাং ১৮/০৯/১৯৪৯দা টেলিগ্রাম থাবদুনি; মদুদা ইরিবদি - Ruler অসি হৌজিক ফাদুনা থম্লে অদুগা এগ্রীমেন্ট অসি সাইন তৌদ্রিফাও ফাদুনা থম্নবা পার্মিসন পীবিয়ু।

iv) নিংথৌনা সেপ্টেম্বর ২১দা ইম্ফালদা হল্লক্লম্মী। মরকসিদা, মণিপুর এসেমব্লিগী সেপ্টেম্বর ২৮দা ফমখিবা অহুমশুবা সেসন অদুনা রিজেলুসন অমা পাস তৌদুনা মর্জর এগ্রীমেন্ট অদু obsolete ওই হায়না হায়রম্মী; মদুগী মরমদি মহারাজনা মাগী পৱার পূম্নমক ষ্টেট এসেমব্লিদা শীন্নখ্রবনি হায়বসিনি। মসিগী রিজোলুসন অসিদি চেদা অদুম লৈরে। ঐখোয়গী এম পিশিং অমদি এসেমব্লিনা নোংমা ফাওবা দিস্কস তৌবিদনা লৈরি। মণিপুরগী অহানবা চীফ কম্মিস্নর ওইরবা Major General Rawat Singh না ১৫/১০/১৯৪৯দা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা মণিপুরগী এদমিনিষ্ট্রেসন লৌশিল্লে হায়না লাউথোকখি অদুগা নুমিৎ অদুমক্তদসু মণিপুর লেজিসলেটিব অদুসু দিজোল্ব তৌরে লাউথোকখি।

v) তাং ১৫/০৮/১৯৪৭ অসি মণিপুরগী ইন্দিপেন্দেন্স দে নত্তে, নুমিৎ অসিদি British legacy & power অদু শিলোংদা লৈরিবা গভর্ণরনা রিপ্রজেন্ট তৌরিবা Dominion of India দা শিন্নবা নুমিৎনি। বৃটিশ লিগেসিনা পায়রল্লিবা অদুদি দিফেন্স, এক্সটর্নেল এফেয়রস এন্দ কম্যুনিকেসননি। হায়রিবা ৩ অসিদসু লোইনমক নত্তে, চয়েৎনবা খরা অদুম লৈবনি। অদুনা, কনাগুম্বনা নুমিৎ অসি সেলেব্রেট তৌগে হায়রবদি মসি end of "British Stayed Period" হায়না তৌগদবনি ("British Rule Period" হায়রোইদবনি)। মসি মথক্কী পারাশিংদা এক্সপ্লেন তৌজখ্রে। ঐখোয়গী অরানবা অমদি মাইন্দসেটতা চমম্নবা লৈরিবদু লৌথোক্তুনা তাং ১৫/১০/১৯৪৯বু মণিপুরনা ইন্দিয়াদা মর্জ তৌবা নুমিৎনি হায়না পালন তৌগদবনি। অমনা, বৃটিশনা মণিপুরগী নিংথৌ কনানা ওইগনি হায়বগী মতাংদসু (Succession issue) কৈদৌনুংদা খূৎ থিংজিল্লোই হায়নসু শেংনা তাক্লি/হায়রি।

13) Lost Opportunity : অসুম্না পোলিটিক্সকী মতাংদা মৈ হৌনরবা মতমসিদা, Political Permutation অমসুং Combination অদু গ্রুপ ৩ থোক্লা খাইদোকপা উই : i) Praja Santi Party হায়বা নিংথৌবু সপোর্ট তৌবা, অদুগা এন্টি-কোংগ্রেস অমসুং এন্টি-মজ'র ওইবা ii) মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেস হায়বা ইন্দিয়াদা মর্জ তৌবা পাম্বা অমা (কোন্না আই এন সীদা মর্জ তৌখি)। iii) Irabot and Co led Party হায়বা পুরা ইন্দিপেন্দেন্ট পাম্বা অমা। চীংদনা - ১৯৪৪ অমসুং ১৯৪৫দা Vaiphei National Organisation অমদি মার এসোসিয়েসন শেম্বা; অদুগা ১৯৪৭তা মণিপুর জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন, জেলিয়াংরোং কাউন্সিল, কুকি নেসনল আর্মি মিজো য়ুনিয়ন্না শেম্বশিংনি। অতোপ্পা মরুওইবা অমনা দাইহোনা মাও নাগা পার্টি শেম্বদুনি। মতমসিদা ইরাবতনা চীংগী অতৈ পার্টিশিং হায়বদি Shimray of Tangkhulong, Lunneh of KNA, Kakhangai of Kabui Association অমসুং তম্পাক্কী পার্টি খরগা পূন্দুনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা শেম্লগা ইলেক্সন য়াওননবা অদু মায় পাক্লম্লবদি মণিপুরগী পোলিটিকেল লেন্দস্কেপ অদু অতোপ্পা re-written page অমা ওইরম্বা য়াবনি। ইমা লৈবাক মণিপুরগী লাইবক থীবনা মদু ওইখিদে।

14. Ruler, State Darbar, Advisor অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিং পূনবা ঙমদবা : i) মতাং অসিদনি ঐখোয়না দরবার মেম্বরশিং, এদভাইজরশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী রোল য়াম্না in-depth analysis অমা চংলিবসি। লুরবা তাঞ্জা অসিদা নাকল খুদিংদা লিংজেল মান্নদবা অমদি তোখাই তোখাই তাবগী মমি উবা ফংখি। মতমদুনা নিংথৌনা ময়াম অসিবু য়ানবা অমা পুরক্তুনা পূনশিনবগী শক্তম অমা উৎলম্লবদি ঐখোয়না ঐখোয়গী ফ্রীদম অমদি কবো ভেল্লি মাঙলম্লোই। মীহুৎ শিল্লি হায়দুনা মীওই খরনা শাবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদুনা তোঙান তোঙানবা নাকলদা চৎনবা মতমদুদা য়ুনিটি পুরকপা হায়বসি অরুবা অমনি। অদুবু অফবা লিদর হায়বদুদি মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মীয়ামগী কান্নবা তৌবা অদুনি। মসিদা বোধচন্দ্রগী অৱাৎপা অদু উবা ফংই। মদুদা নত্তনা দরবার মেম্বরশিং, এদভাইজরশিং অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংবুসু ঐখোয়না ব্লেম তৌবা তাবনি। অদুবু, অয়াম্বা ব্লেমদি মকোক ওইরিবা বোধচন্দ্রনা পুবা তাই, মহাক্লা মসিদগী নাম্থোকপা ঙমলোই।

ii) বৃটিশনা চৎখ্রবা মতুংদদি, Mountbatten অমসুং সর্দার পটেল অদু নেটিভ ষ্টেট ময়ামদু Dominion of India/Pakistan দা মর্জ তৌনবা হোৎনবদা য়াম্না অচিনবা অমা ওইখি। মর্জর অসি প্রিন্সনা অয়াবা অমা ওইগদবনি অদুগা এস্পেক্টনা দিফেন্স, এক্সটর্নেল এফেয়রস এন্দ কম্যুনিকেসনদনি। মসি Simla, Cabinet Mission গী তাং 12/05/1949 statement, Sardar Patel গী তাং ৫/৭/১৯৪৭কী ষ্টেটমেন্ট অমদি Lord Mountbatten না ষ্টেটশিংদা দিফেন্স, এক্সটর্নেল এফেয়রস অমসুং কম্যুনিকেসন্দা মর্জ তৌরো হায়বদুনা শাখিনি। মসিমসু পল্লি মদুদি - ষ্টেটশিংনা Dominion অনীগী মনুংদা অমদা য়াওবদু ভলুন্টরি ওইনা ওইগদবনি, ফোর্স শীজিন্নবা য়াদে। মসিগী মথক্তা মণিপুরগীদি তাং ২৯/০৬/১৯৪৭তা গভর্ণরগা য়ানবা পোইন্ট ওফ এগ্রীমেন্ট অমসু লৈরি (Sept. 11 (iii)। হায়রিবা ময়ামসি লৈনা লৈনা ঐখোয়না ইন্টরনেল ওটোনোমি অমসুং কবো ভেল্লি মাঙজখি। অদুনা তুংদগী য়েংলকপদা মসি য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি পূক্লিং নুংশিবা অমনি। হায়রিবা অসিনা মণিপুরীশিংবু haunt তৌদুনা লৈরি অমসুং অদুম তৌদুনা লৈখিগনি।

iii) জুলাই ১৯৪৭কী অঙনবা শরুক্তা Mountabatten কৌবা প্রিন্সেসশিংগী মীটিং অমদি Instrument of Accession & Standstill Agreement 11th August তা সাইন তৌরুবা মহারাজ অদুনা মর্জর এগ্রীমেন্টকী নুংগী ওইবা ৱাফম খঙদে হায়না চেনবা য়ারোই। সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী এলাইদ ফোর্সকী সুপ্রিম কম্মান্দর ওইরিবা Mountbatten অমদি টুলিহল এয়রফিল্ডদা লৈরিবা Spitfire Squadron গী Squadron leader Arjun Singh গা য়াম্না চান্নবা মরুপ ওইরিবা মহারাজনা মতমদুদা মণিপুর অমদি ইন্দিয়ন সব কন্টিনেন্টতা হুমলিবা Political Cloud শিংদু খঙদ্রে হায়বদি য়ারোইদবনি। হায়রিবসি দরবার মেম্বরশিং অমদি এদভাইজরশিংসুনি। মর্জর এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক নল্লমদ্রবদি শিলোং থাদোকপা য়াররোই খঙলবা মতমদুদদি মহাক্লা মণিপুর দরবারগা গভর্ণরগা তাং ২৯/০৬/১৯৪৭তা সাইন তৌনবা টর্মস ওফ এগ্রীমেন্ট অদুদা থিন্দুনা শিখাং খাংলমগদবনি। মসিনা অনীশুবা গোল্ডেন চান্সনি। অহানবা গোল্ডেন চান্সনা গভর্ণর Hydary গী মতমদনি। Hydary না মণিপুরবু নুংশিবা অমদি মহাক্লা মহারাজগা লুনা তিন্নবা অদুনা মণিপুরগী কান্নবদা শোয়দনা লাক্লমগদবনি। বোধচন্দ্র অমসুং দরবারনা তাঞ্জা অনীমক মাঙহনখিরম্মী অদুগা মণিপুরনা ফ্রীদম অমসুং কবো ভেল্লি মাঙখিরম্মী।

করিগুম্বা Sir Hydary না গভর্ণর ওইনা অদুম লৈরম্লবদি মহাক্লা মহারাজ অমদি দরবারবু মাগা য়ানখিবা পোইন্ট ওফ এগ্রীমেন্ট লোমদা পুশিন্দুনা full internal autonomy + Kabow Valley ফংলমগদবনি। মরৈ-মরা চাউবা গভর্ণর প্রকাশা অদুদি, মহারাজকা য়াম্না লুনা তিন্নরবসু মহাক্কী ৱিজদম অমদি দিপ্লোমেসি শীজিন্নদুনা মহারাজবু তেথহল্লগা মর্জর এগ্রীমেন্ট অদু খূৎয়েক নমহল্লম্মী। অদুনা মসি অঙকপা নত্তে, মদুদি প্রকাশা অদু নেহরুগী অহানবা কেবিনেটতা মিনিষ্টর অমা ওইনা খল্লম্মী।

Conclusion : অইবনা মর্জর এগ্রীমেন্ট অমসুং মতমদুদা লৈরম্বা পোলিটিকো-হিষ্টোরিকেল ক্লাউদশিংদু অনৌবা আইদিয়া/থোটস পুরক্তুনা খ্বাইদগী মমুৎ তাবা লোজিকেল কনক্লুজন অমা পুরক্তুনা পাবিরিবশিংদা তমজবনি। পনবা য়াবশিংদি i) মণিপুর বৃটিশকী মখাদা কৈদৌনুংদা লৈরমদে, ফুল ওটোনোমি লৈদুনা নীংতম্বা প্রিন্সলি ষ্টেট অমা ওইরম্মী, অদুবু দিফেন্স, এক্সটর্নেল এফেয়রস এন্দ কম্যুনিকেসনদি বৃটিশনা অয়াম্বা পায়রম্মী। বৃটিশকী পৱারদু তাং ১৫/০৮/১৯৪৭তগীদি Dominion of India দা শিন্নখি। বৃটিশকা মণিপুরগা লৈনরম্বা মরী অসি য়াম্না Peculiar ওইবা অমনি, মসি ইন্দিয়াগী অমদি ৱর্ল্ডগী মফম অমত্তদা লৈতবা অমনি। মণিপুর অসি A British Protectorate State and as an Asiatic Power in alliance with the queen হায়দুনা লৈরম্মী। এঙ্গলো মণিপুরী ৱারগী মতুংদা মণিপুর অসি বৃটিশ ইন্দিয়াদা এনেক্স তৌরমদে। ii) খূৎয়েক য়েক্লবা এঙ্গলো মণিপুর রিলেসন অসি গৌরশ্যামনা পানবদগী হৌরগা অদুম ওগষ্ট ১৯৪৭কী তাং ১৪/১৫গী অহিং ফাওবা লৈরম্মী। বৃটিশনা ইন্টরনেল এফেয়রসতা খূৎ থিংজিনবদি চন্দ্রকির্তিগী মতমদগী হৌরগা লোইবা ফাওবা তৌরম্মী। অদুবু মাগী মতমদদি ইয়াম য়াল্লমদে, এঙ্গলো মণিপুরী ৱার মতুংদনা হেন্না খূৎ থিংজিল্লম্মী। iii) ওগষ্ট ১৫ অসি ঐখোয়গী ইন্দিপেন্দেন্স দে নত্তে, ইন্দিয়াগীনি। মসি বৃটিশনা মণিপুর থাদোকখিবা নুমিৎনি। মণিপুরদি ইন্দিয়াদা তাং ১৫/১০/১৯৪৯দা মর্জ তৌবনি। অদুগা ওকেজন কয়াগী ওবজার্ভ তৌবসি re-alignement অমা চংই। Protectorate state হায়বদু মিনিং শেংনা তাক্লদুনা মসিনা Treaties, Engagements অমসুং Sanad কয়াগী মতেং লৌদুনা প্রিন্সলি ষ্টেটশিংবু বৃটিশ ইন্দিয়াদা পুন্দুনা থল্লম্মী। iv) ঐখোয়গী লুরবা হিষ্টোরিকেল ফেক্টশিংসি ঐখোয়গী হিষ্টোরিয়ন, এদ্যুকেসনেলিষ্ট অমদি ইন্টেলেকচুএলশিংনা পোলিটিকো-হিষ্টোরিকেল ইভেন্টশিংদু in-depth research তৌবীদবনা অরানবা মিনিং মীয়ামদা পীদুনা লৈরি। v) শিলোং মর্জর এগ্রীমেন্টতা মীওই ২ হায়বদি বেঙ্গোলি দাস গুপ্ত অমসুং গভর্বর বেদ প্রকাসানা, বোধচন্দ্রবু সাইন তৌহনখিবনি। মখোয়না অরৈবা ত্রিকমখৈ শীজিন্নদুনা ইমোটিভ ওইবা ৱুলরদু ফাখিবনি। vi) নিংথৌ, ষ্টেট দরবার, এদভাইজরশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা চিরবা মতমদু মত মান্নবা অমা পুরকপা ঙমখিদে। মখোয়না অমত্তা ওইরমদবদি মদু পুদুনা Lord Mountbatten অমসুং সর্দার পটেলদা থল্লমগদবনি। ইন্টরনেল ওটোনোমি অমদি কবো ভেল্লি অদু মণিপুরীশিংদা পীনবগীদমক ফজরবা প্লেট অমদা হাপ্পুনা থল্লবনি হায়বসি মণিপুর দরবারগা গভর্ণর হায়দরিগা তৌনবা পোইন্ট ওফ এগ্রীমেন্ট, সর্দার পটেলগী তাং ৫/৭/১৯৪৭কী ষ্টেটমেন্ট ইন্দিয়ন ষ্টেটশিংদা পীবা অমদি Lord Mountballen না ষ্টেটশিংবু দিফেন্স, এক্সটর্নেল এফেয়রস অমসুং কম্যুনিকেসনবু চৎনবা Dominion দা acced তৌ হায়না তাকপদুদগী ইরায় লায়না খঙবা ঙমগনি। ঐখোয়গী কবো ভেল্লি অমদি ফ্রীদম অসি শম্নাদা নাম্থোকখিবনি। vii) অদুগা, অইবনা অরোইবা ওইনা থমজরিবদি নহা ওইরিবা হিষ্টোরিয়ম অমসুং মহৈরোয়শিংনা আর্টিকল অসি পাদুনা ইন্দিপেন্দেন্ট ওপিনিয়ন অমা শেমদুনা লাক্কদবা জেনরেসনগীদমক থল্লম্বা অদুনি। ●

**ওন্নখিবা**

পাউচে অসিগী ওক্টোবর ১গী ইস্যুগী লমায় অসিদা য়াওখিবা **'লৈঙাক্লা জননেতাদা য়েংবা মীৎয়েং'** হায়রিবা আর্টিকল অসিগী অইবগী মমিংদা *প্রেমকুমার লাইতোঞ্জম* হায়খিবা অদু **টি ঐচ ইনাও** হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

- এদিটর

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।